২শুবা ৱিমেন আই লীগ

# ইএসয়ু ৱাংখৈ রন্নর অপ তাহৌরে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর



**FINAL RESULT**
ESU Vs RSC
5 6

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেডরেসনগী মীৎয়েং মখাদা মমাঙ থাগী ২৬ দগী মেঘলয়াগী শিলোংদা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অনীশুবা হেরো ইন্দিয়ান ৱিমেন লীগ ২০১৭–১৮ গী ৱিন্নর রাইজিং ষ্টুডেন্ট ক্লব ওড়িষানা তাখিবগা লোয়নননা লুপা ১০,০০,০০০ মনা অমসুং রন্নর অপ তাখ্রবা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ৱাংখৈ লুপা ৫,০০,০০০ গী শেলগী মনা ফংখ্রে। লোয়নননা টুর্ণামেন্টঅসিদা পূন্না গোল ১২ চনবী ঙমখ্রবী কৃপসা নাওরেমথোংগী ষ্ট্রাইকর এনজি বলানা টোপ স্কোররগী মনা লুপা ১,০০,০০০ গী মনা, বেষ্ট গোলকিপর ইএসয়ু ৱাংখৈগী ই পান্থোই চনুনা তাদুনা লুপা ১,০০,০০০ গী মনা, মোষ্ট ভেল্যুবল প্লেয়রগী মনা ইএসয়ু ৱাংখৈগী মনা আই প্রেমেশ্বরিনা তাদুনা লুপা ১,২৫,০০০ অমদি ইমর্জিং প্লেয়র এৱার্ড কৃপসা নাওরেমথোংগী দাংমৈ গ্রেসনা তাদুনা লুপা ৭৫,০০০ গী মনা ফংখি।

মমাঙ চহী দা পাঙথোকখিবা অহানবা ইন্দিয়ান ৱিমেন লীগকি ফাইনেল থেংনখিবা ইএসয়ু ৱাংখৈ অমদি আরএসসি ওড়িষা অনীশুবা ইন্দিয়ান ৱিমেন লীগকি ফাইনেলদা অমুক হন্না থেংনখি।

অনীরকশুবা ফাইনেল শান্নখিবা অসিদা ইএসয়ুগী রোজানা মেটচকি হৌরকপা মিনিট ১৩ চৎপদা গোল অমা স্কোর তৌদুনা মাঙজিল থারবসু অনীশুবা হাল্ফ মেটচকি মিনিট ৭১ চৎপদা আরএসসি ওড়িষাগী সঞ্জুনা গোল অমা হন্দোক্তুনা নোর্মেল টাইমদা গোল ১–১ দা দ্রো লৈখিবনি।

এডিস্নেল টাইমদা মখা তানা হাপ্তুনা শান্নবদা মায় পাকপা ঙম্মদবদগী কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কনা মেটচ ডিসাইদ তৌনবদা গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো লৈবদগী সদন দেথনা মেটচ ডিসাইদ তৌনদুনা পূন্না গোল ৬–৫ দা মমাঙ চহীগী রন্নর অপ রাইজিং ষ্টুডেন্ট ক্লব উড়িষানা মমাঙ চহীগী চেম্পীয়ন ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ৱাংখৈবু মায়থীবা পীখিবনি।

অহানবা এডিসনগী ফাইনেলদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ৱাংখৈনা আরএসসি ওড়িষাবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ইন্দিয়ান ৱিমেন লীগকি ৱিন্নর ইএসয়ু ৱাংখৈনা লৌবা ঙমখিবনি।

# বেঙ্গলুরু এফসিগী শান্নরোয় লৌগদৌরি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ জেএসডব্লিয়ু বেঙ্গলুরু ফুটবোল ক্লব প্রাইভেট লিমিটেডকি তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপ চহী ১৫ মখা অমসুং চহী ১৮ মখাগী কাঙলুপকি শান্নরোয়শিং লৌনবগী চাংয়েং থা অসিগী ১৭ দগী ১৯ ফাওবা ফুটবোল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা মশাগী চহী ১৫ গী মখাদা লৈবা অমসুং ১৮ গী মখাদা লৈবা নুপামচাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা অকুপ্পা মরোল অমদি মরী লৈনবা পূম্নমক ফুটবোল কোচ দুলু নৎত্রগা কোচ ই রতনদগী খঙলবা য়াগনি।

থা অসিগী ১৭ দা নুংথিলগী পুং ৪ দগী ৬ ফাওবা থা অসিগী ১৮ দা অয়ুক্কী পুং ৮ দগী ১০ অমদি নুংথিলগী পুং ৪ দগী ৬ অমসুং থাঅসিগী ১৯ দা অয়ুক্কী পুং ৮ দগী ১০ ফাওবা ট্রাইয়েল পাঙথোক্কনি। শরুক য়াগদবশিংনা মশা–মশাগী ওরিজিনেল ডেট ওফ বাথ সার্টিফিকেট, আধার কার্ড অমদি পাস্পোর্টস সাইজ ফোটোগ্রাফ ২ /২গা লোয়নননা মশা–মশাগী কিটসকা লোয়নননা ট্রাইয়েল মফমদা লাক্কদবনি।

# কিটসকি পৈশা পীরগনি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ ভোপালদা পাঙথোকখিবা ৬৩শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ফোর এঠলেটিকতা শরুক য়ারুবা চহী ১৭ মখাগী শান্নরোয়শিংগী কিটসকি পৈশা থা অসিগী ১৬ দগী ১৮ ফাওবা মেন ষ্টেদিয়মদা অয়ুক্কী পুং ১০ দা লাক্তুনা য়ূঠ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস ডিপার্টমেন্টগী সেনিয়র এঠলেটিক কোচ এম সোমচন্দ্রা সিংহদগী লৌরবা য়াগনি হায়রি। এঠলেটশিংনা মশা–মশাগী পার্টিসিপেসন সার্টিফিকেটশিং লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

দিএসএ ককচিং য়ুঠ লীগ

# কেএমএসদব্লিয়ুসি, কেপিএসসি অমদি ৱাইদিও মায় পাকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ দিষ্ট্রিক্ত স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা টিম ৯না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী ১১ দগী তোঙান তোঙানবা প্লেগ্রাউন্দ মরীদা চথরিবা অহানবা দিএসএ য়ুঠ ফুটবোল লীগ ২০১৮ ঙসি ৱাইদিও সোরাগী গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা ২১শুবা লীগ মেটচতা দিৱাইএ অমদি এসডব্লিয়ুসি গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখিবগা লোয়নননা, ২২শুবা লীগ মেটচতা শান্নখিবদা কেএমএসডব্লিয়ুসিনা জেএবু গোল ৯–০ দা, ২৩শুবা লীগ মেটচতা শান্নখিবদা কেপিএসসিনা কেৱাইডব্লিয়ুএসিবু গোল ২–০ দা অমসুং ২৪শুবা লীগ মেটচতা শান্নখিবদা ৱাইদিওনা এসইএসয়ুবু গোল ৪–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবা কেএমএসডব্লিয়ুসি অমদি জেএ শান্নখিবা মেটচতা কেএমএসড–ব্লিয়ুসিগী মায় পাকপগী গোলশিং এমদি কলামনা মেটচকি মিনিট ৪ দা গোল অমা, এমদি রাজ–খাননা মেটচকি মিনিট ৯ দা গোল অমা, এমদি অনিসনা মেটচকি মিনিট ১৫, ১৬, ২১, ৩২ অমদি ৪০ দা গোল ৫ লোয়নননা এমদি সামিরনা মেটচকি মিনিট ২৫ অমদি ৩৪ দা গোল অনী অমগা চন্দুনা পূন্না গোল ৯ স্কোর তৌখি।

অহুমশুবা মেটচতা শান্নখিবা কেৱাইডব্লিয়ুএসি অমদি কেপিএসসি শান্নখিবা মেটচতা কেপিএসসিগী মায় পাকপগী গোল অনীমক মেটচকি মিনিট ১৪ অমদি ২৭ দা স্কোর তৌখি।

মেটচ অসিদা কেৱাইডব্লিয়ুএসিগী অবিনাস মেটচকি মিনিট ৪৮ দা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌখি।

ঙসিগী অরোইবা মেটচতা শান্নখিবা ৱাইদিও অমদি এসইএসয়ুগী মেটচতা ৱাইদিওগী মায় পাকপগী গোলশিং মিসলাউদ্দিননা মেটচকি মিনিট ৬ দা গোল অমা, রিয়াস খাননা মেটচকি মিনট ২০ দা গোল অমা, তারিকনা মেটচকি মিনিট ২৬ দা গোল অমা অমদি অঞ্জেরনা মেটচকি মিনিট ২৯ দা গোল অমগা স্কোর তৌদুনা পূন্না গোল ৪ চনখি।




# সব জুনিয়র পৱারলিফটিং টিম খনখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ ইন্দিয়ান পৱার লিফটিং ফেডরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চহী অসিগী জুন ২১ দগী ২৫ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেসকি শ্রিকাকুলুং ডিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র নেস–নেল পৱারলিফটিং চেম্পীয়নশিপ ২০১৮ দা শরুক য়ারুগদবা পৱার লিফটরশিংগী মিং ওল মণিপুরপৱার লিফটিং এসোসিয়েসননা লাউথোকখ্রে।

খনগৎখ্রবা পৱারলিফটরশিংদি নুপামচাগী কেজি ৫৩ গী কাঙলুপ্তা এম জিমি–পিবিবিপিটিসি, এন অথোই–লাইওনজিম, ইরিখোম্বা চলাম্বম–টিবিবিপিটিসিনি। কেজি ৫৯ গী কাঙ–লুপ্তা এন চিত্তরঞ্জন–পিবিবিপিটিসি, এন রিকি–পিবিবিপিটিসি, টিঐচ সদানন্দা–দিৱাইসিকে, এল রোহিত–পিবিবিপিটিসি, টিঐচ লনচেনবা–লাইওন জিমনি। কেজি ৬৬ গী কাঙলুপ্তা এম রোনাল্ডো–পিবিবিপিটিসি, এল অলফ্রেদ–পিবিবিপিটিসি, পি জিম–পিবিবিপিটিসিনি।

কেজি ৭৪ গী কাঙলুপ্তা এস সুনিল–পিবিবিপিটিসি, এল প্রসান্ত–পিবিবিপিটিসি, এস য়াইফবা–পিবিবিপিটিসিনি। নুপীমচাগী কেজি ৪৩ গী কাঙলুপ্তা ই থোইথোইবী–পিবিবিপিটিসি, ই লিঙ্থোইঙম্বী–পিবিবিপিটিসি, কেজি ৪৭ গী কাঙলুপ্তা রেজিয়া–লাইওন জিম, টিঐচ বিদ্যলক্সমি–লাইওন জিমনি। কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা এস চাওবা–লাইওন জিম, এন দিপা চনু–লাইওন জিমনি।

টিম অসিগী কোচ ই ইনাও অমসুং এন রমানন্দা লোয়নননা টিম মেনেজর ডব্লিয়ু দিনেশ্বরি কনখ্রে। খনগৎখ্রবা লিফটরশিংনা থা অসিগী ২০ দগী জুন ১৫ ফাওবা কোচিংগীদমক টিবিবিপিটিসিদা লাক্কদবনি হায়না ওল মণিপুরপৱার লিফটিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এনজি থোইবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱাইপিএ ভোল্লিবোল

# আরৱাইসি মোইদাংপোকনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা য়ূঠ পাইওনর এসোসিয়েসনয়ন হিয়াংলম হিরানমৈনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা ৱাইপিএগী ভোল্লিবোল কোর্টতা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল ৱাইপিএ ভোল্লিবোল টুর্ণামেন্ট ২০১৮গী ৱিন্নর আরৱাইসি মোইদাংপোকনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা আরৱাইসি মোইদাংপোকনা এনৱাইদিসি খাইদেমবু সেট ৩–২ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। য়াম্না কম্পীটিটিব ওইনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা আরৱাইসি মোইদাংপোকনা পোইন্ট ২৫–১৫, ২৭–২৫, ১৯–২৫, ১৮–২৫, ১৫–১৩ স্কোর তৌখিবনি।

মকোক মথং তাখ্রবশিংদা ডাক্তর রাধেশ্যাম য়ুম্নাম–এমএলএ হিয়াংলম এসি এসঐচ লসমোল সিংহ–এডভাইজর ৱাইপিএ হেড মাষ্টর পোল্ড ষ্টার স্কুল, ই রঞ্জনা দেবী–হিয়াংলম জিলা পরিষদ, ই ওংবী সান্তি দেবী–প্রধান হিয়াংলম জিলা পরিষদ অমদি ই রতন সিংহনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রবা আরৱাইসি মোইদাংপোক্তা শেলগী মনা লুপা ১৫,০০০, রন্নর অপ তাখ্রবা এনৱাইদিসি খাইদেমদা শেলগী মনা লুপা ১০,০০০, বেষ্ট সেট্টরগী মনা আরৱাইসি মোইদাংপোক্কী এন মঙলেমদা, বেষ্ট ব্লোক্করগী মনা আরৱাইসি মোইদাংপোক্কী পি বিকাসতা, বেষ্ট ডিফেন্দরগী মনা এনৱাইদিসি খাইদেমগী ৱাই সুধিরদা, বেষ্ট স্পাইকরগী মনা এনৱাইদিসি খাইদেমগী এন ভোগেনদা, বেষ্ট প্লেয়রগী মনা আরৱাইসি মোইদাংপোক্কী কেঐচ য়াইফবদা পীবগা লোয়নননা বেষ্ট ডিসিপ্লিন টিমগী মনা ৱাইপিএ–বি হিরানদা শেলগী মনা লুপা ৫০০ / ৫০০ পীদুনা শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎখি।

# বিদ্যারাণি পাইওনর ক্লবনা ওকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ চৎলিবা থা অসিগী তরেৎতগী ১০ ফাওবা ইন্দোনেসিয়াগী বলিদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা ইন্টরনেসনেল ষ্ট্রেংথ লিফটিং অমসুং ইনক্লাইন বেন প্রেস চেম্পী–য়নশিপ ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী রিপ্র–জেন্ট তৌদুনা কেজি ৫২ গী কাঙলুপকি ষ্ট্রেংথ লিফটিংদা পূন্না কেজি ৩১৭.৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড অমদি ইনক্লাইন বেন প্রেসতা কেজি ৯৫ ইন্দুনা গোল্ড মেডল অনী লৌরকপা ঙমখ্রবী ইন্টরনেসনেল গোল্ড মেডলিষ্ট থৌদাম বিদ্যারাণি দেবী থা অসিগী ১৪ দা ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়নননা তরাম্না ওকপগী থৌরম পাইওনর ক্লব লংথবাল লেপ ময়াই লৈকায়না শীন্দুনা পাঙথোক্তুনা মিংচৎ পুরকখ্রবী টিঐচ বিদ্যারাণি দেবীবু পুক্নিং থৌগৎখি।

# কেৱাইয়ুসি ভোল্লিবোল টুর্ণামেন্ট হৌরগনি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ কোম্বৌজম য়ূঠ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চহী অসিগী এপ্রিল ২৫ দগী মে অনী ফাওবা কেৱাইয়ুসি ভোল্লিবোল গ্রাউন্দ কোম্বৌজম কাংজেবুংদা অহানবা ষ্টেট লেবেল মেন ভোল্লিবোল টুর্ণামেন্ট ২০১৮ হৌরগনি হায়রি।

ৱিন্নরদা লুপা ২৫,০০০, রন্নর অপ্তা লুপা ২০,০০০, বেষ্ট প্লেয়রদা লুপা ১,০০০, বেষ্ট ডিসিপ্লিন প্লেয়রদা লুপা ১,০০০ অমদি সেমি ফাইনেলিষ্টতা লুপা ৫,০০০ / ৫,০০০ পীগদবা টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা মিং চনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২২ ফাওবনি। এডমিসন ফি লুপা ৫০০ নি। শরুক য়ানিংবশিংনা অকুপ্পা মরোল অমদি মরী লৈনবা পূম্নমক মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন নৎত্রগা কোম্বৌজম কাংজৈবুংদা লৈবা কোম্বৌজম য়ূঠ য়ুনিয়ন ক্লবতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# মাইবম চীংখৈঙানবা খল্লক্লে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ঃ ইন্দিয়ান মাউন্টেনরিং ফাউন্দেসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৬ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা স্পোর্টস ক্লাইম্বিংগী এসিয়ান গেমস সেলেক্সন কেম্পতা মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিয়েসনগী ক্লাইম্বর মাইবম চীংখৈঙানবা মায় পাক্তুনা খল্লকখ্রে।

কম্বাইন্দ, স্পিদ অমসুং স্পিদ রিলেগী ইন্দিয়াগী পূন্না ইন্দিয়াগী ক্লাইম্বর মরী খনগৎপদা মাইবম চীংখৈঙানবা কম্বাইন্দ টিমদা য়াওরকখিবনি।

মাইবম চীংখৈঙানবা থঙ্গল বজারদা লৈবা মাইবম কুবীহৈবা মৈতৈ অমদি মাইবম ওংবী সঙ্গিতা দেবীগী মচানুপানি।













Owned and published by Sapam Nishikanta Singh at Sega Road, Thoudabhabok Leikai, Imphal (Manipur) Pin - 795001 & Printed by him at Sangai Offset Printers, Sega Road, Thoudabhabok Leikai, Imphal (Manipur) Pin-795001; Edited by Khogendra Khomdram, RNI no. 72024/99